# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-12-2025)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেকু্যরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী চাং অমসুং তমগী অপুনবা মফম ১১৪ দা চেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি। মসিগা লোয়ননা আইননা থিংখ্রবা খুৎলায় পায়বা লুপশিংগী মীওই ৮ সু ফাগৎলে। ফারবশিং অদুগী মনুংদা-কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই মরি য়াওরি। মখোয়শিং অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা অন্দ্রো লৈতান পেকফম এরিয়াদগী ফাবনি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম, মোবাইল ফোন মরি, অধার কার্ড অমা, সেন্ত্রো কার অমগা লোয়ননা বাউফেন রেদিও সেট অনি ফংখি হায়রি।

কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) কাংবুগী মীওই অহুম অমসু সেকু্যরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন টুদগী ফারে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি ফংখি। কে.সি.পি. (ইবুংঙো ঙাঙোম) কাংবুগী মীওই অমসু লাঙ্গোল  গেম ভিলেজ জোন থ্রিদগী ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ককচিং লমখাই এরিয়াদগী য়াল্লবা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌশিং ফারে। অমরোমদনা, হেরোইন নম্বর ফোরনি চিংনবা পোৎলম পুরম্বা মীওই অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং খুনৌদা লৈবা সঙাই ইথনিক পার্ক মনাক্তগী ফারে হায়রি।

**পুলিস(এল)ঃ** কাংলুপ মশেল অমগা অমগা য়েংথিনহন্নবা য়াবা ভিদিও সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোম ফেসবুক্তা থাগৎতুনা শন্দোকপদা চেন্নবা মীওই

অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

লুৱাং পুনশিবা হায়বা মিংথোনবা ফেসবুক্কী পেজ অদুবু শেম্বনি হায়বা মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোংপোক হৈরোক মনিং লৈকাইদগীনি হায়রি। মীওই অসি পুলিসনা ফারবা তুংদা মরি লৈনবা মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্তুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মখা তানসু কাংলুপ অমগা অমগা নুংশিন্নদনবা শিনবা অমদি হিংশা থোকপা য়াবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা থবক কয়া পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

**বিরেন (এল)ঃ** অসামগী মনিপুর ওটোনোমস কাউন্সিল দিমান্দ কো-ওর্দিনেসন কমিতিগী মীহুৎশিংগা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা অসামদা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শাখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসামদা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপকীদমক রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মগা তান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি। মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনসু মহাক্কী রাজ্যদা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপকী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৯ শুবা ইপিসোদ হয়েং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং

তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হংচিৎ শন্দোক্কনি।

**নদ্দাঃ** হকশেল মন্ত্রি-জগৎ প্রসাদ নদ্দানা হায়রি-ইং ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী টি.বি. লায়না মরু ফংনা মুত্থৎনবা থবক পায়খৎলগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা শ্রী নদ্দানা হায়-লায়না অসি মপুং ফানা মুত্থৎপা ঙমবা অচেৎপা পান্দম অমগা লোয়ননা চংশিনবা তঙাইফদে। মদুগী মনুং চন্না লায়না অসিগীদমক অফবা মখলগী হিদাক লাংথকশিং মীয়ামদা ৱাইতনা ফংহনবা চংই।

কেন্দ্র সরকারনসু অহমেদবাদকী আই.আই.এমগা খুৎশমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লায়না অসি মরু ফংনা মুত্থৎনবা খ্বাইদগী মরুওইবা হীরমদি, অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা লায়না অসি লৈরিব্রা হায়বদু খঙদোকপনি। মরম অদুনা দাইগোষ্টিক সার্ভিসশিং কনখৎপগী তঙাইফদে হায়নসু শ্রী নদ্দানা মখা তাখি।

**পিএমঃ** ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা চীফ সেক্রেটরিশিংগী মঙাশুবা মীফমদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মীফম অসিদা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং কুপা খন্ন-নৈনগনি। অঙাংশিংবু পীক্লিঙৈদা মহৈ মশিং তন্বীবগী মওং, স্কিল দিবলপমেন্ট, অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বগী মওং, শান্ন খোৎনবা অমসুং এক্সত্র-কারিকুলম এক্তিভিটিশিংগী মতাংদসু মীফম অসিদা খন্নগনি।

**ভিজিত ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, তোঙান তোঙানবা রাজ্য অহুমগী খোঙচৎতা ঙসি গৱাদা থুংলগনি।

মহাক্কী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ অসিদা গৱা, করনাতক্কা অমদি ঝরখন্দদা চৎকনি। ঙসি গৱাদা থুংলবা মতুংদা করনাতক্কাদা লৈবা করৱার হারবরদা চৎতুনা ভারত নেভিগী সব-মেরিন তোংগনি। লোয়ননা মদুগী মতুংদা ঝরখন্দদা চৎতুনা ও আই চিকি হায়রিবা ময়েক অসিগী চহি ১০০ শুবগী থৌরম শ্রীমতি মুরমুনা হৌদোক্কনি। ময়েক অসি ইং ১৯২৫ দা রঘুনাথ মুরমুনা সনতালি লোলগীদমক শেমখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

থাদৌ ইনপী মনিপুরনা গভনর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে, মনিপুরগী শকখঙলবা এস.টি. লিষ্টতা য়াওদবা ত্রাইবকী সার্টিফিকেটনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা য়াওরে হায়রিবসি থিজিন্নবা কমিতি শেন্থীয়ু হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইনি।

ঐগী সেরৌদগী লাঞ্জেনরুবশিংদি সেপ্টেম্বর, ২০২৩ দগী অয়াম্বা হনজিল্লক্লবনি, পামদবা থৌদোক অমুক হন্না থোক্ত্রি হায়না এম.এল.এ. কে. রঞ্জিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

ভিক্সিত ভারত-জি রাম জি এক্টনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা চাউখৎহনবদা মতেং ওইরগনি। জোব কার্ড হোল্ডরশিংবু চহি অমদা নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীরগনি হায়না এম.পি. সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সি.পি.আইগী চহি ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। লৈঙাকা চথরিবা প্রাইভেটাইজেসন অসিনা অসুম অসুম কুইশিল্লক্লগদি মীয়ামদা হেন্না অৱাবা কয়া মায়োকরক্কনি হায়না মোইরাংথেম নরানা ফোংদোকখিবা

ৱাফম-নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

আই.দি.পিশিংগীদমক পোলিসি শেন্বা য়াওনা লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ষ্টেটকী থাক্তা সেদ্যুল ত্রাইব স্ক্রুতিনি কমিতি শেমবা গভরনদা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইনি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদনা-সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না এস.টি. সার্টিফিকেটকী মতাংদা থিজিনবীয়ু হায়না থাদৌ ইনপিনা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফমদা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন অমদি পিপল ক্রোনিকলদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।